এসিয়ন য়ুথ ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড লৌরকখ্রবী বেবিরোজিস্না, সনামচা চনু ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): মঙ্গোলিয়াগী উলানবাটরদা থা অসিগী ৮দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়া য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী মণিপুরদগী নাওরেম বেবিস্না চনু অমসুং থোকচোম সনামচা চনুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট য়ৌরকপদা মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিগী থৌমীশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখ্রে।

এসিয়া য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী কেজি ৫১গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী নাওরেম বেবিরোজিস্না চনু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সমরাম মমাঙ লৈকায়দগী নাওরেম রোবিন্দ্রো অমসুং নাওরেম ওংবী সনাজাওবীগী মচানুপীনি।

কেজি ৭৫গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী থোকচোম সনামচা চনু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট চিংথাম মনীং লৈকায়দগী থোকচোম সনাতোম্বা মৈতৈ অমসুং থোকচোম ওংবী বিমোলাগী মচানুপীনি। মখোয় অনী মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিগী শান্নরোয় ঙাক্তনি।

গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী থোকচোম সনামচানা, হন্দক এসিয়ন য়ুথ ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড লৌরকখিবা অসিগা থারগা পূন্না মহাক্কী করিয়রদা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড অহুম লৌবা ঙমখ্রে। হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা থোইদোক্লা অৱাবা ওইখিদে। অদুবু ফাইনেলদা খরদি টর্ফ ওইখি। মহাক্লা গোল্ড মেদল লৌরকপা অসিগী ক্রেদিট মহাক্কী মমাদা পীনীংই হায়খি।

নাওরেম বেবিস্নানা হায়খিবদা মমাঙদা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা গোল্ড ৫ লৌবা ঙমখ্রে। ফাইনেলদা কাজখষ্টানগা শান্নবদা খরদি টর্ফ ওইখি। অদুবু তাইবঙ শেন্বা মপু খুরুমদুনা য়াম্না কন্না শান্নখিবনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্কী মায় পাকপগী ক্রেদিট অসি ওজাশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংদা পীনীংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর১৯(ঐচএন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদা করিগুম্বা খরা খঙহল্লি মদুদি বিরমঙ্গল কোলেজনা শীন্দুনা এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল এম য়ু ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট কোলেজ অসিগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৫দগী পাঙথোক্লগনি।

এন্ত্রি ফোর্ম বিরমঙ্গল কোলেজ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতগী লৌবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১২ ফাওবা ওইগনি।

ফোর্ম পীশিনবা মতমদা বর্থ সার্টিফিকেট, টেন প্লস টু মার্কসিট, প্রজেন্ট রিদিং সার্টিফিকেট, পাসপোর্ট অনী, খ্বাইদগী নৌবা আইদেন্টিটি কার্দ লোয়নরক্কদবনি। দোক্যুমেন্ট শুনা পুরক্তবশিং শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

লোয়ননা মেনেজরস মীটিংনা থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন, হেলথ এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস, বিরমঙ্গল কোলেজ শঙস্নুংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নাগেশ ত্রোফি ২০১৯দা শরুক য়াগদবশিং লমথাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা থা অসিগী ২২ অমসুং ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা নাগেশ ত্রোফি (নেসনল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ফোর ব্লাইন্দ) ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর ক্রিকেট টিম ফোর ব্লাইন্দগী শান্নরোয় ১৪ অমসুং ওফিসল ২ ৱেলফ্যের এসোসিএসন ফোর ব্লাইন্দ মণিপুরনা ইনিসিএটিভ লৌদুনা লমথাখ্রে।

২শুবা নাগেশ ত্রোফি (নেসনল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ফোর ব্লাইন্দ) ২০১৯দা শরুক য়াগদবা বি ৱান কেটেগোরিগী শান্নরোয়শিং অদুদি য়ুলহুঙ শুংরৈ চোথে, পেবম গোবিনচান্দ, ধন্নি অবিশুৱা, ময়েংবম নাওবা অমদি হৈস্নাম কুমারনি।

বি টু কেটেগোরিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি হুইদ্রোম বিশ্বরজিৎ, এম দি অয়ুবখান, হেরোজিৎ, প্রিতম অমসুং সুমোন ঘোসনি। বি থ্রীদা শরুক য়াগদবশিং অদুনা প্রেমকুমার লৈশাংথেম, শ্যামসুন্দর, মোংয়াম্বা লৈশাংথেম অমদি কে ঐচ জয়কুমারনি। ওফিসল ওইনা টিম মেনেজরদা কাঙুজম চান্দ অদুগা টিম কোচনা লাইশ্রম প্রেমজিৎনি।

এসোসিএসন্না থিদোক্লবা হায়জরি

ইম্ফাল, নবেম্বর১৯(ঐচএন এস): ওগষ্ট ২৪দা পাঙথোকখিবা ইপসাগী হেদ ওফিস কৈশাম্পাৎতা ইপসানা য়েৎনবা অনীগী ময়ায় তাংবল লৌদুনা মায়কৈ অনীমক্কী মীহুৎ মঙা-মঙানা খুৎয়েক পীদুনা খনখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ অমসুং সেক্রেটরি-ইন চার্জশিং হৌজিকসু মথৌ ফজনা তৌদুনা লৈরি।

লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমদা ঙসি য়াওখিবা ইপসাগী য়ানা ৱারোল অদুগী ওন্ন-তৈনবদা চৎন-কাঙলোন ৱাংমদা প্রেস রিলিজ তৌরক্লিবা ইপসাবু শেংদোক্কদবনি হায়বা অসি মশক লোৎপা, মশানা মশাবু সেক্রেটরিনি হায়জবা সেক্রেটরি শাবা মীওইশিং অসি তশেংনা মরী লৈনদবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বশিং অসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা এসোসিএসন্না থিদোক্লবা হায়জরি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ত্রায়ল সেলেক্সন কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর১৯(ঐচএন এস): থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসরনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন, এজ গ্রুপ, ইভেন্টশিংগী ওইবা ত্রায়ল সেলেক্সন কম সেলেক্সন টেষ্ট থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯দা দি এস সী ৱাংজিংদা পাঙথোক্লগনি।

তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং অদুদি চহী ১৪ মখা অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী সাইক্লিং (ত্রেক), চহী ১৪ মখা অমসুং ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী টেবল টেনিস, চহী ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী হেন্দবোল, চহী ১৭ মখাগী নুপাগী রগবি, চহী ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপী ৱেটলিফটিং মশান্নশিংগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কনি।

থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা ইলিজিবিলিটি ফোর্ম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। লোয়ননা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২২নি হায়রি।

সঙাই মরাথোন মণিপুর ২০১৯ তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): সঙাই মরাথোন মণিপুর ২০১৯ থা অসিগী ২৪দা মফম অহুম কৈবুল লমজাও, লম্ফেল অমদি মাওদা পাঙথোক্লগনি। সঙাই মরাথোন মণিপুর ২০১৯ মপূং ফানা পাঙথোক্নবা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা টেক্নিকেল সপোর্ট পীগনি হায়রি।

সঙাই মরাথোন মণিপুর ২০১৯গী মপূং ওইবদি কৈবুল লমজাওদা পাঙথোক্কনি। সেন্দ্রাদগী লমথারগা তোংব্রম, খোইরোম, মোইরাংথেম, কৈবুল, চন্দ্রপুর, থাঙ্গ ফাওরগা মোইরাং, কোকিলবোর, মোইরাং থাংজিং তারগা সেন্দ্রাদা অমুক লমথুংফম ওইগনি।

নুপা অমদি নুপীগী কাঙলূপ অনীমক্তা পাঙথোক্কদবা মপূং ওইবা মরাথোন অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লাক্ষ ১, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ৭০, অহুমশুবা তাবদা লুপা লিশীং ৫০ লোয়ননা মরিশুবদগী ১০শুবা ফাওবা তাবশিংদা লুপা লিশীং ৫/৫গী শেলগী মনাগা লোয়ননা সার্টিফিকেট অমদি মেদল পীগনি হায়রি।

মরাথোন অসি মাওদসু পাঙথোক্কনি। মাওগী ওইনা তদুবীদগী ফাওরগা মাও ফাওবা চেনগনি। মাওগী ওইনা ৱিন্নর ওইবদা লুপা লিশীং ১০, রন্নর্স-অপ তাবদা লুপা লিশীং ৭, অহুমশুবা তাবদা লুপা লিশীং ৫ লোয়ননা মরিশুবদগী ১০শুবা ফাওবদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১/১গা লোয়ননা সার্টিফিকেট অমদি মেদল পীগনি।

ইম্ফালগী ওইনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম মমাঙদগী লমথারগা অৱাং পাংনা লাক্লগা আই আর বি গেট লাক্লগা দিক্ষু রোদতগী খোংনাং কারক্তংগী দি এম কোলেজগী লন্বীদা লাক্লগা নোর্থ এ ও সীদগী খুয়াথোং তারগা পি দব্লিয়ু দিগী মমাঙ ফাওরগা রাজভবন মমাঙদগী হাট্টা লন্বীদা লাক্লগা টেলিপতিদগী লমলোং তারগা দিক্ষু রোদতা লাক্লগা লমথাফমদা অমুক পন্থুংফম ওইগনি।

ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ৭, অহুমশুবা তাবদা লুপা লিশীং ৫ লোয়ননা ৪শুবদগী ১০শুবা ফাওবদা লুপা লিশীং ১/১গী শেলগী মনা পীগনি। শরুকয়ানীংবশিংনা থা অসিগী ২০দগী দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ৱেষ্ট, দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ইষ্ট, দি ৱাই এ এস ও বিষ্ণুপুর অমদি দি ৱাই এ এস ও সেনাপতিনচিংবা মরী লৈনবা মফমশিংদগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২২ ফাওবা ওইগনি। লোয়ননা ফোর্মগী মমল লৈরোই হায়রি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল্লরশিংনা ঙাঙোম বলাবু রেঞ্জরসকী ত্রায়ল খল্লকপদা হরাওবা ফোঙদোক্লরক্লি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় ওইরিবী মণিপুর মচা ঙাঙোম বলানা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জরস এফ সীনা ক্লব অদুদা শরুক য়ানবগী চেয়োল অমগী ত্রায়ল কৌরকখিবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়ানা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরক্লি।

বলানা ত্রায়লদা শরুক য়াগদৌরিবা স্কোটলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল ক্লব রেঞ্জরস লৈবাক অদুগী নুপীগী প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা হৌখিবা সিজন্দা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবনি।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইরম্বী মমিং লৈরবা বেমবেমনা বলানা ত্রায়লদা শরুক য়াগদৌরিবা অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুটবোল মশান্নবু পামজবা নহা ওইরিবা নুপীমচাশিংদা য়াম্না অচৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমগনি হায়খি।

বেমবেমনা মখা তারদুনা, স্কোটলেন্দগী ক্লব অদুনা ত্রায়ল কৌরকপা অসি বলাগীদি য়াম্না চাউনা মায় পাকপনি। ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোল অসি হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী হৌজিক্লা য়াম্না ফগৎপগী থাক্তা লৈরি।

মরক অসিদা নেসনল টিম অসিগী মরু ওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা ঙাঙোম বলাবু ত্রায়ল কৌরকপা অসিনা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অচৌবা পাউজেল অমা পীদুনা মহাকপু ফিদম্নফম ওইবগী তাঞ্জা অমা লাক্লে।

ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিম হেদ কোচ ওইরিবা মেমোল রোকিনা ফোঙদোরকখিবদা, ঙাঙোম বলানা ত্রায়ল ফংলকপা অসি মহাক্কী হোৎনজমন অদুননি। খুদোংচাবা অসি বলাগী ওইনা য়াম্না অফবনি। লোয়ননা মালেমগী প্রোফেসনেল ফুটবোলদা খোঙদাবা ঙস্বগী পাঙ্গল লাকপা অসি মহাক মশামক খক্তা নত্তনা ইন্দিয়ন ফুটবোলগী ওইনা অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইরিবী সেন্টর বেগ শান্নরোয় মণিপুর মচা আশালতানা ফোঙদোরকখিবদা বলানা স্কোটলেন্দদা চয়োল অমগী ত্রায়লদা শরুক য়াগদৌরিবা অদুদগী ফংলকপা অনৌবা টেক্নিক কয়া অদুনা টিম অসিগীদমক্তসু অহেনবা কান্নবা ফংগদৌরি। লোয়ননা করিগুম্বা ত্রায়ল অদুদা খল্লবদি ঙাঙোম বলা মথংগী সিজন্দা রেঞ্জরস ৱিমেন্স ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় অমা ওইনা চহী অমা স্কোটিস ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজকী টিমবু রন ৫দা থোইখ্রে

প্রোভিদেন্স, নবেম্বর১৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজতা লৈরিবা টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অঙনবদা শান্নখিবা নোংনা তেনশিনহনখ্রবা মরিশুবা টি-২০ মেচ অদু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা রন ৫দা থোইখ্রে।

মেচ অদুগী মাঙওইননা অহুমশুবা টি-২০ মেচতসু ইন্দিয়ানা থোইরগা মাঙজৌননা সেরিজ অদু লৌখ্রবনি। ঙরাংগী মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা ওভর ২০ শান্নবগী মহুত্তা ওভর ৯/৯ শান্নখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা অপীবা ওভর ৯ অদুদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৫০ লৌবা ঙমখি। মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু হান্না বেট্টিং তৌহনখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পুজা বষ্ট্রাকরনা রন ১০ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ অদু মায় পাক্লনবা ওভর ৯দা ৱিকেট ৫ তুরগা শুপ্পগী রন ৪৫ খক লৌখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৫দা থোইখি।

ইন্দিয়াগী বেটচ ৱিমেনশিং অদুবু ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী হেলি মেথিয়ুজনা রন ১৩ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা রন চাউনা লৌহনবা ঙমখিদে। অতোপ্পা বোল্লর অনী এফি ফ্লেটচর অমসু সেনেটা গ্রিমোননা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা রন ৫১ লৌরগা মায় পাক্কদবা ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী কেপ্তেন হরমনপ্রিট কৌরনা মহাক্কী বোল্লরশিং অদুবু য়াম্না চেকশিন্না রন পীদনবা শান্নহনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোল্লর অঞ্জুতা পটেলনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা দিপটি শর্ম্মা অমসুং রাধা য়াদবসু ৱিকেট অমমম লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মেথিয়ুজ অমসুং হেনরিনা রন ১১/১১ লৌরবসু অতোপ্পা শান্নরোয় ফজখিদবদগী রন ৪৫দা লোইশিনখি।

আই লীগ ফুটবোল ক্লবশিংনা লৈবাক অসিগী গ্রাসরুট ফুটবোল চাওখৎহন্নবা য়াম্না মরীক চুম্বা প্লেটফোর্ম অমা পীরি : ত্রাও স্পোন্সর

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী): সিজন অসিদা নৌনা হিরো আই লীগতা প্রমোসন ফংদুনা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ত্রাও) গী স্পোন্সর ওইরিবা একিয়াষ্টা স্পোর্টস এলাইন্সকী মেনেজিং দিরেক্টর অরিজিৎ মুখর্জিনা ফোঙদোকখিবদা, আই লীগকী ফুটবোল ক্লবশিং অসিনা লৈবাক অসিগী গ্রাসরুট ফুটবোল চাওখৎহন্নবগী মতিক চাবা প্লেটফোর্ম অমা শেম্বদা চাওনা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কম্পেনি অদুনা ত্রাও ফুটবোল ক্লবপু স্পোন্সর তৌবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা, গ্রাসরুটতা লৈরিবা টেলেন্টশিং অসি মশক খঙদোক্তুনা মতিক চাবা শান্নরোয় অমা ওইহন্নবগী পান্দম থিরুবদা আই লীগকী টিমশিং অসিগা য়াম্না নক্লবা মরী অমা থম্বগী তঙাইফদবা লৈবা অদুনা ত্রাওবু স্পোন্সর তৌখিবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লম্দা অচৌবা ফুটবোল ক্লবশিং ফাওবদা স্পোন্সর ফংদনা লৈরিবনি। অদুবু ত্রাওগুম্বা আই লীগতা নৌনা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ওইনা নৌরিবা ক্লব অমবু কোলকটাদা বেজ তৌবা স্পোর্টস মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট ফার্ম একেষ্টাস স্পোর্টস এলাইএন্সনা স্পোন্সর তৌবা অসি ত্রাও এফ সীগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

ADMISSION STARTED
FOR DECEMBER 2019 BATCH

DIPLOMA IN
- RECEPTION OPERATION SERVICE
- ACCOMMODATION SERVICE
- FOOD & BEVERAGE SERVICE
- AVIATION ENVIRONMENT
- CABIN CREW

HURRY LIMITED SEATS ONLY!

Please contact:
☎ 93667 17592 | 70055 71820
www.iitaworld.com
IITA, Changangei, Opposite Imphal International Airport, Imphal West - 795140.

INTERNATIONAL INSTITUTE OF TOURISM & AVIATION (IITA)
wings to fly
add wings to your career

A Unit of LRSINDIA Group of Companies

HL-B/55645/3-31oct.

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

SL no	POST	QUALIFICATION	VAC	SALARY	AGE	BRANCH
1.	Deputy Manager	Graduate / Master (Computer Know)	2	Negotiable	30-45	H.Q
2	Office Assistant	Graduate (Computer Know)	2 Each	Negotiable	18-25	Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Moirang
3.	Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W)	3-7yrs Exp.	3+2	Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m	20-40	H.Q
4.	Security/GUNMAN	VIII Passed	5	Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m	18-25	H.Q
5.	Tyres Workshop Mistry	3 to 5 yrs. Exp.	8	Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m	20-35	H.Q/Branches
6.	Grade-IV	VIII Passed	3	Negotiable	18-25	H.Q
7.	Iron Soldering Mistry	3 to 5 yrs. experience	3	Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m	22-45	H.Q/Branches
8.	Brick Mistry	5 to 10 yrs. experience	3	Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m	25-45	H.Q/Branches
9	Driver (Car/Tata) Unmarried	3 to 5 yrs. experience	5	Negotiable	20-35	H.Q

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 25th Nov.,2019.

L.G.MOTORS (H.Q), KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING.

Pleased Contact: 8787727402

HL-B/579/2nov. to 30 dec.

NGASIDAGI, SAMOROU, KAKWA, YAIRIPOK, MOIRANG, MAYANGIMPHAL, KANCHI HALLS
CONTACT @ 8794687252 / 8787668760
NONTHOMBAM FILMS
LANCHENBA PRESENTS
Produced by : LINTHOI CHANU
Lyrics, Story & Directed by : SANATON NONGTHOMBA
POSTER SPONSORE BY
CHANU IPS-2
KHABA MPS

HL-P/5005/18-31/1-20 nov.

M/s Virgin Island
Paona Bazar Branch, Ganesh Market

EXPO SALE UP TO 80% OFF

Presents

Buy Rs. 1000/- worth goods & get 1 Gift Coupon

Laibak phabi Ningol (Lucky Sister)
Starting from 5th October, 2019

Prizes:
1st Prize – Scooter Vespa
2nd Prize – 1 Samsung Smart Phone
3rd Prize – 1 Samsung Smart Phone
4th Prize – 1 Samsung Smart Phone
5th Prize – 1 Samsung Smart Phone

Draw date: 2nd February, 2020

All are welcome!!

HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com